# হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা পুন্সি চুপ্পা গভর্ণমেন্ট ক্বাটর লৌবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ৭ ঃ*

ফম তারবা চীফ মিনিষ্টরশিংনা গভর্ণমেন্টকী ক্বার্টরশিং পুন্সি চুপ্পগী ওইনা লৌবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

হান্না যু পি গী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অখিলেশ যাদব, মহাক্কী মপা মুলায়ম সিংহ যাদব অমদি ময়াবটিনচিংবা লুচিংবশিংনা গভর্ণমেন্টকী ক্বাটর পুন্সি চুপ্পগী ওইনা লৌবা য়ানবা যু পি গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা আইন অদু সুপ্রিম কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে। কোর্ট অদুগী ওর্দর অমনা হায়, যু পি গী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা গভর্ণমেন্টকী ক্বার্টর লৌবা য়ারোই মরমদি "মখোয় অসি পব্লিক প্রোপর্টিনি মসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগীনি।"

অখিলেশ যাদব গভর্ণমেন্টনা ২০১৬ তা আইন অমা শেমদোক্কুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মঙা রাজনাথ সিংহ, রাজস্থানগী গভর্ণর কৈলান সিংহ, মুলায়ম সিং য়াদব, ময়াবটি অমদি এন দি তিৱারিবু গভর্ণমেন্টকী ক্বাটরদা লৈবা য়াহল্লম্বনি। মসি আইনগী মীৎয়েং অদুগী ওন্ন তৈনবদনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংনা হায়খি।

"চীফ মিনিষ্টরশিং অসি মখোয়গী ওফিস হেক থাদোকপগা মীচমগা মান্নে। মখোয়না পায়রম্বা ফমগী মতুং ইন্না সেক্যুরিটি অমসুং প্রোটোকোলগী ঙাকফম থোকপা নিয়ম অদু ঙাকপদি করিসু কায়দে। অদুবু মখোয়না লৈরম্বা ক্বাটর অদু মপুন্সি চুপ্পা পীবা অদুদি মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা হায়বা কন্সটিট্যুসনগী প্রিন্সিপল অদুগী মায়োক্তনি" হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

কংগ্রেসকী ভি পি গভর্ণমেন্টনা ১৯৮১ দা চীফ মিনিষ্টরশিংনা হেক ফম থাদোকপগা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মখোয়গী ওফিস থাদোক্কবা আইন অমা শেমলল্লবসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা বঙ্গলোদা লৈবদি য়াহল্লম্মী। মসিগী মায়োক্তা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমনা থারকপা পেটিসন অমদা কোর্টনা ২০১৬ তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী বঙ্গলো অদু খূৎশিন্নরক্কবা অমদি মখোয়না লৈরম্বা মতমগী ভারা পীননবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। হুকুম অসি থৈদোক্কবা অখিলেশ যাদব গভর্ণমেন্টনা লো এগ্রিমেন্ট তৌদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বশিং অদু বঙ্গলোদা লৈবা য়াহন্নবা শিনখি।

ফিভম অসিনা ময়াবটিনা লম একর মঙাদা শাবা তুমফম কা তরা লৈবা রাজস্থানগী সেন্দষ্টোন অমসুং পিংক মার্বলনা শাবা য়ুমদা লৈবগী খুদোংচাবা ফংলকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ঙসিগী ওর্দর অদুনা হায়, "আইন অসি মরী লৈনদবা, আইনগী মীৎয়েংদগী য়াফম থোক্তবা অমদি কন্সটিট্যুসন্না অয়াবা পীদবা অমনি" লোকেল লো অমনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা অসিগুম্বা খুদোংচাবশিং পীবা অসি মরম চাদে হায়না জজশিংদুনা ফোঙদোকখি।

# ত্রিপুরাদা য়েলহৌমীগী লোনগী মহুৎতা হিন্দীগী পাউ শন্দোক্নবা হোৎনবগী ৱাফমদা চয়েৎনবা থোক্লে

*অগর্টলা, মে ৭ ঃ*

ত্রিপুরাগী লোকেল টেলিভিজন ন্যুজ বুলেটিনশিংদা য়েলহৌমীশিংগী লোন অমা ওইরিবা কোকবোরোক্কী মহুৎতা হিন্দী ওইনা শন্দোক্নবা ৱাফম হৌদোক্লকপদগী ত্রিপুরাগী পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাফম অদু হন্দোক্লবা তকশিনখ্রে।

ত্রিপুরা কংগ্রেসকী সিদুল ত্রাইব ৱিংগী মতূং ইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ কলচরেন এফিয়ার্সনা নেস্নেলিজম পূক্নীং থৌগৎনবগী মীৎয়েংদগী কোকবোরোক্কী মহুত্তা হিন্দী ওইনা পাউ শন্দোক্নবা মিটিং অমদা ৱারেপ্লখ্রে হায়রি।

গভর্ণমেন্টনদি হৌজিক ফাওবা অদুগুম্বা ফিরেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি হায়রি।

ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রদেস কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ব্রিজিৎ সিংহনা হায়, কোকবোরোক লোনবু নমথনবা হোৎনবা খোঙথাং খুদিংমক মহাক্কী পার্টিনা মায়োক্লগনি। "কোকবোরোক অসি ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীগী লোননি। ঐখোয় খুদিংমক্লা লোন অসি য়োকখৎপা অমসুং চাউখৎহনবা পাম্মী। লোন অসিদা শন্দোকপা পাউ লেপ্পা য়ারোই" হায়না কংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী গভর্ণমেন্টতা বি জে পি গা চৎমিন্নরিবা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্দ ওফ ত্রিপুরানা ৱাফম অসিদা মখোয়গী ফিরেপ ফোঙদোক্লবসু মহাক্লা দাবী তৌখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিস) ষ্টেট সেক্রেটরী বিজান ধরনসু ৱাফম অসি কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মসি ফেসিস অমদি এগ্রেসিফ নেস্নেলিষ্টকী মওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

"লেফ গভর্ণমেন্টনা ১৯৭৪ দা কোকবোরোকপু ষ্টেট লেঙ্গুয়েজ ওইনা শক খঙখি। লোন অসি স্কুল অমসুং কলেজদসু তম্নহনখি। ঐখোয়না লোন খুদিংমক চপ মান্নবা থাক্তা থম্বা পাম্মী। মরম অদুনা হৌজিক হৌদোরক্লিবা ৱাফম অসি হন্দোকফম থোকই" হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

চৈরক অসিদা ইনফোর্মেসন দাইরেক্টর বিষ্ণুপদা দাসনা হায়, কোবোরোক্কী মহুৎতা হিন্দীনা শিন্দোকপগী মতাংদা ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি। ন্যুজ চেনেলশিংদা মখোয়না শন্দোক্লিবা কোকবোরোক ইংলিস, হিন্দী অমদি অতৈ লোনশিংগী ন্যুজ বুলেটিনগী অকূপ্পা মরোল খঙহল্লক্লবা হায়খিবদি লৈ। মসি চেনেলশিং অদু কেটেগোরাইজেসন তৌবদা নুংঙাইনবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

বি জে পি গী ৱাঙাংলোয় রিনালকান্টি দেবনা ঙসি হায়, ৱাফম অসিগী মতাংদা ওফিসিয়েল ওইনা নোটিফিকেসন থোকখিবা লৈত্রি। পার্টি অসিনা কোকবোরোক লোনবু চাউখৎহন্নবা থবক তৌরি।

# কাথুৱা রেপ কেসকী ৱয়েল পথানকোটতা চথগনি ঃ *সুপ্রিম কোর্ট*

*ন্যু দিল্লি, মে ৭ ঃ*

মালেমগী মফম খুদিংমক্তগী নিন্দা তৌনরকখ্রবা কাথুৱাগী চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা গেং রেপ চথরবা মতূংদা হাৎতোকখিবগী কেস পঞ্জাবকী পথানকোটতা চথরগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি হায়খ্রে।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা মরাল লৈবশিং অদু শৌগৎতুনা রেলি চৎলকপদগী অঙাং অদুগী ইমুং মনুংনা কেস অদু ত্রান্সপার তৌননবা হায়রকখিবনি। "অকিবা অমদি অচুম্বা ৱায়েল হায়বসি পূন্না চৎমিন্নবা য়ারোই" হায়না খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱায়েল অসি মোনিটর তৌগনি হায়রি।

তমথিবা থৌওং অমদি কিহনবা অসি কোইচৎ চৎতুনা লৈবা মুস্লিম কম্যুনিটিবু মশীং য়াম্বা হিন্দুশিংনা তাম্হোকখিনবা হোৎনবা থৌওং অমনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চহী ৮ গী অঙাং অদু কাথুৱাগী রাসনা খুন্দা জনুৱারী থাদা শগোল মচিঞ্জাক পীজরিঙৈদা ফাখিবনি। চয়োল অমমুক মহাকপু চাক ঈশিং অমত্তা পীজদনা ময়াম চঙদুনা গেং রেপ তৌরবা মতূংদা নূংনা থাদুনা হাৎখিবনি। পুলিস অনী অমদি জুবেনাইল অমা য়াওনা পুন্না মীওই নিপাল কেস অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখ্রবনি। কেস অসি চার্জসিটতা হায়, পুলিস অমনা মীহাৎপা মীশিং অদুদা অরোইবা ওইনা অমুক্তং রেপ তৌহৌনবগীদমক ঙাইনবা মীহাৎপশিং অদুদা তক্লখি।

ৱায়েল অদু ফাষ্ট্রেক্ট ওইনা চথনবা হুকুম পীরদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়, প্রোসিদিং অদু নুমিৎ খুদিংগী চথগদবনি। এজোর্মেন্ট অমত্তা লৈবা য়ারোই। ৱায়েল অদু প্রেস অমদি পব্লিক্তা খঙহনবা য়ারোই হায়না ওর্দর অদুদা পল্লি।

চৈরক অসিদা কেস অসিদা চেন্নরিবা জুবেনাইল অদুগী হিয়ারিং মে ২২ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটনা লাওথোকখ্রে। এপ্রিল ২৫ দা জুবেনাইল অদু কোর্টতা অকনবা সিক্যুরিটিগা লোয়ননা পুথোরকখি। কোর্ট অদুদা মহাকপু বেল পীবিনবা হায়জরকপা অদু জজনা য়াখিদে।

## অঙাং ৬ হুইনা হাৎখ্রে

*সিতাপুর, মে ৭ ঃ*

উত্তর প্রদেশকী সিতাপুরদা লম্বীদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈবা মপু পান্দবা হুইশিংনা চিকপদগী নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা অঙাং তরুক শিখ্রে।

অসুম্না হুইশিংনা অঙাংশিংদা চিক্লকপা অসিনা স্কুল কাবগী চাং হন্থখ্রে। পুলিসকী পেত্রোলিং কনখৎখ্রে। অদুগা ইংখোল অমদি লবুক্তা চৎপশিংনা শিংজং অমদি য়োৎতুম পায়দুনা চৎনরে।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা লবুক্তা হামেং মচিঞ্জাক পীজদুনা লৈবা কাসিম অসিগুমবা হুই অমনা চিকখি। মহাক কনবা ঙমহৌদ্রে হায়না তালগাও পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস ষ্টেসননা ফোঙদোরক্লি। নভেম্বর ২০১৭ তগী হৌজিক ফাওবদা অঙাং ১২ হুইনা চিকপদগী শিখ্রে হায়রি।

# কর্নাটকাগী ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ৮৮৩ না ক্রোরপতিনি অদুগা ৬৪৫ গী মথক্তনা ক্রিমিনেল কেস লৈ

*ন্যু দিল্লি, মে ৭ ঃ*

কর্নাটকা এসেম্লি ইলেক্সনগী অপূনবা কেন্দিদেট ২,৬৫৪ গী মনুংদা ৮৮৩ না ক্রোর পটিনি অদুগা ৬৪৫ গী মথক্তনা ক্রিমিনেল কেস লৈ হায়না কর্নাটকা ইলেক্সন ৱাটচ অমদি এসোসিয়েসন ওফ দিমোক্রেটিক ইনফোর্মসকী ষ্টদি অমনা ফোঙদোক্লি।



অপূনবা মীরেপকী চাদা ৩৫ ওইরিবা ৮৮৩ অসিগী লৈরিবা মরন মথুম অসি চাংচত্তা ক্রোর ৭.৫৪ নি। কেন্দিদেট ৬৪৫ গী মনুংদা চাদা ১০ গী চাং ওইবা ২৫৪ না য়াম্না শাথিবা ক্রিমিনেল কেস মায়োক্লরি। অদুগা চাদা ১৫ ওইবা ৩৯১ অমনা মখোয়গী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস চথরি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্দা ফাইন তৌরকপা মখোয়গী এফিদেভিটশিং অদু নৈনরদুনা ৱাটচদোগ গ্রুপ অনী অসিনা ফোঙদোক্লি।

লৱার হাউসকী নোমিনেটিদ অমা য়াওনা ২২৫ খনগদবগী মনুংদা জয়ানগর সিটকীদি বি জে পি গী কেন্দিদেট বি এন বিজয়কুমার মে ৪ দা লৈখিদবনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রবনি। বি জে পি না থাগৎলিবা কেন্দিদেট ২২৩ গী মনুংদা চাদা ৯৩ ওইরিবা ২৩৮ না মখোয়গী মরন ক্রোর অমগী মথক্তা লৈ হায়না লাওথোক্লি। মসি অতৈ পার্টিগা চাংদম্নবদা খ্বাইদগী য়ামদ্রবনি।

রুলিং কংগ্রেস পার্টিগী কেন্দিদেট ২২০ গী মনুংদগী ২০৭, জনতা দল য়ুনাইটেদকী কেন্দিদেট ১৯৯ গী মনুংদা ১৫৪, ইন্দিপেন্দেন্ট ১০৯০ গী মনুংদা ১৯৯ নসু মখোয়গী মরন-মথুম লুপা ক্রোর অমগী মথক্তা লৈ হায়না লাওথোক্লি।

বি জে পি গী কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা ৮৩ না মখোয়গী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস লৈদুনা খ্বাইদগী ক্রিমিনেল কেস লৈবা কেন্দিদেট য়াম্না পুথোকপা পার্টি ওইরি। ইলেক্সন অসিদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা কেন্দিদেট ওইনা চোংথোরক্লিবা অসি রুলিং কংগ্রেসকী গোবিন্দরাজ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীখল থেংনরিবা প্রিয়া কৃষ্ণনি। মহাক্কী অপূনবা মরন-মথুম অসি লুপা ক্রোর ১০২০ নি। হোসাকোটা এসেম্লি সিটতা মীখল থেংনরিবা এন নাগারাজুগী মরন অসি লুপা কোটি ১০১৫ নি। অদুগা ষ্টেটকী ইলেক্ট্রিসিটি মিনিষ্টর দি কে সিব কুমারগী মরন অসি লুপা কোটি ৮৪০ নি হায়না লাওথোক্লি।

কর্নাটকাগী ইলেক্সন অসি সিদুল কাষ্টকী রিজার্ব সিট ৩৬ অমদি সিদুল ত্রাইব সিট ১৫ য়াওনা পুন্না কন্সটিট্যুয়েন্সি ২২৩ দা অমুক্তদা মে ১২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। ভোট মশীংনা মে ১৫ দা থিগনি।

# পুতিননা মরিরক শুবা ওইনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবগী থবক পায়বা হৌখ্রে

*মোস্কো, মে ৭ ঃ*

গেষ্ট লীশিং মঙা হেন্না তিন্দুনা ক্রেমলিন হোন্দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চহী ৬৫ শুরবা পুতিননা মরিরক শুবা টার্মগী ওইনা প্রসিদেন্টগী থবক পায়খ্রে।



মহাক্লা চহী ১৮ প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা শক্তি পায়রকপা অসিদা মহাক্কী মায়োক্তা লৈবা কাঙবুনা জারগী সাসন নৎত্রগা নিংথৌরেলগা চাংদম্নরি।

রসিয়ান টি ভি দা মহাক্লা ক্রেমলিন ওফিসতগী থৌরম অদু য়াওবা মখোঙনা কোরিদোরদা শাংনা চৎখি। অদুদগী কোর্তেস কৌবা রসিয়ানা শাবা নিমোসিন অমা তোংদুনা ক্রেমলিন কম্পাউন্দদা ঙাইহাক চৎখি। হান্নদি মহাক্লা অসুম্না চৎপা অসি ফোরেন লগজরি কারদা চৎলম্বনি। হৌখিবা চহীশিংদদি অসিগুম্বা থৌরম য়াওবা চৎপদা মোস্কো ফাওদুনা অচৌবা গারীদা চৎপসু য়াওখি।

"ঐখোয়না ঐখোয়গী ইপা লৈবাক্কী চাওথোকচবা অদু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লে" পুতিননা হায়, "ষ্টেটকী হেদ অমা ওইনা রসিয়াগী মপাঙ্গল অমা ওইনা চাওখৎপা হেনগৎহন্নবা ঐহাক্লা উপায় খুদিংমক শীজিন্নগনি।" রসিয়া অসি মনিং হল্লম্বদগী অমুক মাঙলোমদা চৎখৎহল্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা রাওট পুলিসনা মহাক্কী মায়োক্তা মোস্কো অমদি অতৈ সহরশিংদা হৌরকপা ঈহৌ অমা মায়োক্লবা তাখি। সহর মাপলদগী মীওই লীশিং অমা হেন্না ফাজিনখি। খ্বাইদগী চাওবা ৱাকৎ অসি মপূং ওইবা সোসিওলোজিকেল রিসার্চ বোদি অমা ওইরিবা রেবাদা সেন্টরগী সর্ভে অমনা ওইরি। ষ্টেট অসিগী মতূং ইন্না পুতিননা ৱেল্থ গেপ হন্থহনবা ঙমদ্রে অদুগা মার্কেট রিফোর্ম মনুংদা মাঙখিবা সেবিংশিং হন্দোকপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীরি।

পুতিনবু চাদা ৭৬ ভোট ফংদুনা অমুক হন্না প্রসিদেন্ট খনখিবনি। অদুবু ইন্টর্নেস্নেল ওবজার্বর খরনদি ইলেক্সন অদুদা পাক শন্না নিয়ম চুমদবা থবক চথখি হায়রি।

# হৱাইগী মৈগী চীংনা য়ূম কয়া মাঙ তাকহনখ্রে

*সিঙ্গাপুর, মে ৭ ঃ*

হৱাই ঈথৎকী কিলাওইয়াদা থোক্লিবা মৈগী চীং পোকখাইবা অসিনা মরম ওইদুনা মফম অদুগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা থোক্লে। চাওরাক্লা মীওই লীশিং অনীরোম হোংদোকহনখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরদি মখোয়গী ময়ুমদা য়োক্লরম্বা শা-উচেকশিং লৌথোকপা য়াহনখি। অদুবু ওথোরিটিনদি মদু সেফ ওইদে হায়রি।

লৈলানি ইষ্টেট এরিয়াদা অহিং অমদা মৈগী চীং পোকখাইরকখি। মদুদগী থোরকপা লভা অদুনা ফুট ২৩০ মুক ৱাংনা নোংথক্তা কাপখৎখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ঈথৎ অসিদা মেগ্নিচুদ ৬.৯ য়ৌবা য়ুহার হাখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা মফম অদুদগী হোংদোরক্লবা মতূংদা মফম অদুদা লৈরম্বা ইকাইকা মার্জোনা বি বি সি দা হায়খি। মদুদি মফম অদুদা হান্নদগী হৌনা লভা থোকপা উদুনা লাকখ্রবনি অদুবু হৌজিক্তি ফিভমনা য়াদবনা মফম অসি থাদোকপা তারে। অতোপ্পা মীওই বেন্টোন অৱানা হায়, "ঐখোয়না য়োকপা শা-উচেকশিং অদু শরং মনুংদা নৎত্রগা চেন পুন্দুনা লৈহৌবনা ঐখোয়দা য়াম্না থৱায় নুংঙাইহন্দ্রে। মরম অসিনা ঐখোয়না মফম অদুদা মখোয়গী মচিঞ্জাক থাবা চঙদবা য়াদবনি।"

কিলাওইয়া অসি মালেমগী খ্বাইদগী অহিংবা মৈগী চীং লৈবা মফম অমনি। মফম অসিদা হৌখিবা চহী ৩৫ দগী হৌনা মৈগী চীং পোকখাইবগী থৌদোকশিং থেংনদুনা লাকখিবনি।

# আফগান ওফিসিয়েলশিংনা ফাখিবা ইঞ্জিনিয়ারশিং কন্নবা ত্রাইবেল অহলশিংগা হোৎনমিন্নরি

*কাবুল, মে ৭ ঃ*

আফগনিষ্টানগী তালিবানশিংনা অৱাং থংবা বাগলান প্রোভিন্সতগী ফাখিবা ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ার তরেৎ অদু কন্নবগীদমক্তা আফগনিষ্টানগী সেক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংনা লমদম অদুগী ত্রাইবেল অহলশিংগা লোয়ননা থবক হোৎনমিন্নরি হায়না মফম অদুগী মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরি।

প্রোভিন্স অদুগী পুলিসকী ৱাঙাংলোয় যাবিউলা শুজানা হায়, ইন্দিয়ান ইঞ্জিনিয়ারশিং অদু ইলেক্ট্রিসিটি সব ষ্টেসন অমা শাবগী প্রোজেক্টকীদমক থবক শুরিবা কে ই সি কম্পনিগী মীওইশিংনি। মখোয়না থবক অদুগী প্রোগ্রেস য়েংননবগীদমক চৎলিঙৈদা ঙরাং ফাখিবনি। ইঞ্জিনিয়াশিং অদুগা চৎমিন্নখিবা ড্রাইভর অদুসু থিবা খঙদ্রি। মখোয়বু থাদোক্নবগীদমক অকনবা ওপরেসন চথরি।

প্রোভিন্স অদুগী গভর্ণর অব্দুল মেমাতিনা হায়, সেক্যুরিটি ফোর্সনা লোকেল ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ফাখিবা ইঞ্জিয়ারশিং অমদি মখোয়গী ড্রাইভরবু থিবগী থবক কন্না চথরি। মাঙখিবা ইঞ্জিনিয়ারশিং অমদি ড্রাইভর অদু য়াম্না থুনা থাদোরক্লগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বাগলানগী গভর্ণরনা ঙরাং হায়খি, টলিবানশিং অদুনা ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ারশিং অমদি ড্রাইভর অদু আফগান গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোই ওইরবোই নীংদুনা ফাখিবনি। হৌজিক ফাওবদা কনাগুম্বা টেরোরিষ্ট অমত্তনা থৌদোক অদুগী দাইত্ব লৌবা লৈত্রি।

ন্যু দিল্লিদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা হায়, ন্যু দিল্লিনা আফগান ওথোরিটিশিংগা পাউ ফাওনরি।

হৌখিবা চহী ২০১৬ দা চহী ৪০ খক্তা শুরিবা ইন্দিয়া এড ৱার্কর জুদিথ দি সৌজাবু কাবুলদা ফাখি। মহাকপু নুমিৎ ৪০ নিগী মতূংদা থাদোরকখি।

ইন্দিয়ানা আফগনিষ্টানগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্টকীদমক্তা য়ামদ্রবদা য়ু এস দোলর বিলিয়ন অনীগী মতেং পীরিবনি।

# মাওইষ্টশিংদা নোংমৈ পীবা বেঙ্গল গন ফেক্টরিদগী মীওই ৬ ফারে

*কোলকটা, মে ৭ ঃ*

চহী ১০ চূপ্না মাওইষ্টশিংদা নোংমৈ সপ্লাই তৌরম্বা ইন্দিয়াগী খ্বাসদগী লীরবা ওর্দিনান্স ফেক্টরিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নোংমৈ শাফম অমা ঙসি থুগাইখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

কোলকটাদগী কিলোমিটর ৫০ মুক লাপ্না লৈবা ইসাপুর রাইফল ফেক্টরিগী ওফিসার অনী, গার্দ অনী য়াওনা পূন্না মীওই তরুক ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী মাওইষ্টশিং লোয়ননা বিহারগী ক্রিমিনেলশিংদা নোংমৈ সপ্লাই তৌরম্বগীদমক্তা ফারে। মখোয়না ২০১৮ দগী টেরোরিষ্ট গ্রুফ খরদা ফাওবা নোংমৈ সপ্লাই তৌরম্মী হায়না পুলিসনা হায়রি।

ফেক্টরি অসিনা সেক্যুরিটি ফোর্সকীদমক্তা ইনসার্ট এসল্ট রাইফল শাবগী মথক্তা অতোপ্পা শোফিষ্টিগেটেদ সেল্ফ লোদিং রাইফলশিংসু শাই।

পুলিসনা হায়, নেপালগী মাওইষ্টশিংগসু শম্নে হায়না চিংনরিবা কাঙবু অদুদগী নোংমৈ খরা ফাগৎলে। রেকেট অদু চলাইরিবা কাঙবু অদুনা বিহারগী গেঙ অমদি টেরর গ্রুপশিংদসু নোংমৈ সপ্লাই তৌই। ফেক্টরি অদুদা শাবা দিফেক্ট লৈবদগী সপ্লাই তৌবা য়াদদুনা খন্দোক্লবা নোংমৈশিং অদু অমুক রিপিয়ারিং তৌরগা লোন্না থাদোকপনি। ফাবা ঙমদনবগীদমক্তা ফেক্টরি অদুগী মপান্দা পুথোক্ত্রিঙৈদা নোংমৈশিং অদু শীদোক্তুনা থম্মী।

ইনসাট এসল্ট রাইফল অমসুং রাইট সেল্ফ লোদিং রাইফল ১৬ হন্দক্তা মাওইষ্টশিংদা সপ্লাই তৌখি হায়বসু খঙলে।

ইনসাট রাইফলশিং অসি জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমদি নোর্থ ইষ্টতা মথৌ তৌহল্লিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা পায়হনবনি।

ষ্টেটনা চলাইবা গন ফেক্টরি অসিগী ৱেবসাইটকী মতূং ইন্না ফেক্টরি অসি ১৭৮৭ তা লীংখৎখিবনি। ফেক্টরি অসিগী মেন গেটতা থেৎপা মার্বনগী প্লেট অমগী মতূং ইন্না ফেক্টরি অসি গন পাউদর য়ুনিট ওইনা লীংখৎখিবনি।

# অসাম পুলিসনা শীজিন্নবা বুলেট প্রুফকী মতাংদা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

*গুৱাহাটি, মে ৭ ঃ*

অসাম পুলিসনা শীজিন্নরিবা হন্থবা ক্বালিটিগী বুলেট প্রুফশিংগী মতাংদা প্রোব অমা চথনবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ওর্দর তৌখ্রে। এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী কুমার সঞ্জয় কৃষ্ণনা ইনভেষ্টিগেসন অসি লুচিংগনি।

বোরদুমসা পুলিস ষ্টেসনগী ইনচার্জ বাসকর কালিতাবু বুলেট প্রুফ জিকেৎ লীৎনা লীৎনা অলফাগী টেরোরিষ্টশিংনা হাৎখ্রবা মতূংদা মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা খোল্লাও লাওনরক্লবা মতূংদা হীরম অসিদা থিজিল্লগা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্লবা চীফ মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ওর্দর অমা থোকখিবনি।

ওফিসার ইন-চার্জ কালিতাবু হাৎখিবা অসি অকনবা মওংদা নিন্দা তৌই হায়না চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা হায়খি, অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা শান্তি অমদি পূন্না হিংমিন্নবদা অকায়বা পী লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংদসু অপনবা পী।

অসাম গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবা পুলিস ওফিসার অদুগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ২০ গী এক্সগ্রেসিয়ার পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে। ইমুং মনুং অদুনা পুলিস ওফিসার অদুনা থাগী ফংলম্বা তলব অদুসু কায়দনা ফংগনি।

দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস কুলধর সাইকানা হায়, কালিতানা লিংখিবা বুলেত প্রুফ জেকেট অদুগুম্বা বুলেত প্রুফশিং অসি ২০১১-১৩ দা লৈখিবনি। "ঐখোয়না রেকোর্ট পূম্নমক চেক তৌদুনা অচুম্বা থিদোক্লবা হোৎনরি। চীফ মিনিষ্টরনা থিগৎনবা হুকুম তৌখ্রবনা পোৎ খুদিংমক নাখৈ শেংলক্কগনি" হায়না ফোঙদোক্লদুনা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসনা হায়, অসাম অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈদা এন্টি টেরর ওপরেসন চথবা হৌরে।

## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 15/03/18
Valid : 05/03/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 26/03/18
Valid : 08/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 26/04/18
Valid : 10/03/18
Stk : 306
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**Misao Gas**
Commercial 19kg 58
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 27/03/18
Valid : 21/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 19/04/18
Valid : 01/12/17
Stk : 306/19kg 100
Sl. No. 8980
Delivery at Heinoupok Godown

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 16/04/18
Valid : 11/04/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 05/04/18
Valid : 03/04/18
Stk : 306
Sl. No. 2901
Time : 07.30 to 10.30 a.m

## সনা-সুদোকু -১১৫৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 4 | 5 | 9 | 3 | 2 | 6 | 1 |
| 2 | 5 | 1 | 8 | 6 | 4 | 9 | 3 | 7 |
| 6 | 3 | 9 | 1 | 7 | 2 | 5 | 4 | 8 |
| 4 | 9 | 2 | 3 | 1 | 7 | 8 | 5 | 6 |
| 7 | 6 | 5 | 2 | 4 | 8 | 3 | 1 | 9 |
| 1 | 8 | 3 | 6 | 5 | 9 | 7 | 2 | 4 |
| 5 | 4 | 8 | 7 | 2 | 6 | 1 | 9 | 3 |
| 3 | 1 | 6 | 9 | 8 | 5 | 4 | 7 | 2 |
| 9 | 2 | 7 | 4 | 3 | 1 | 6 | 8 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1160**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 3 | | | |
| 2 | 5 | | | | 4 | | | |
| | 8 | | 7 | 2 | | | 1 | 4 |
| | | | 5 | | | | | |
| | | | 8 | | | 4 | | |
| | | 1 | 6 | | | 9 | | |
| | | 5 | | | | | 7 | 8 |
| | 6 | 3 | 2 | | | | | 5 |
| 8 | | 4 | | | 1 | 2 | | |